**UNIVERSITY GRANTS COMMISSION**
**NET BUREAU**

**Subject: MANIPURI** **Code No. 35**

**SYLLABUS**

## য়ুনিট – I

**অরিবা মণিপুরী সাহিত্য:**
অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী হীরম, লোন, স্তাইল – ইবগী মওং; মতমদুগী সাহিত্যগী থোইদোকপা শক্তম; অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী শৈরেং–ৰারেংনচিংবগী লাইরিকশিং।

## য়ুনিট –II

**ময়ায় চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্য:**
ময়ায় চনবা মণিপুরী সাহিত্যদা হোংলকখিবা শক্তম; মতমসিগী সাহিত্যদা চঙলকপা ঈথিলশিং; অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগা ময়ায় চনবা মতমগী সাহিত্যগা খেন্নবা; ময়ায় চনবা মতমগী সাহিত্যগী তোপ–তোপ্পা শক্তম; মতমসিগী লাইরিক ইবশিং; ময়ায় চনবা মতমগী শৈরেং–ৰারেং অমদি অনৌবা সাহিত্যগী মচলশিং।

## য়ুনিট – III

**অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য:**
অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী হৌরকপা অমসুং সমাজগী ওইবা য়ুম্ফম, মতমসিদা চঙলকপা ঈথিলশিং; অনীশুবা লাঞ্জাও মমাংগী সাহিত্য – মতমদুদা থোকলকপা সাহিত্যগী মচলশিং; অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংগী সাহিত্য – হোংলক্লিবা সাহিত্যগী মশকশিং অমদি নৌনা থোরকপা সাহিত্যগী মচলশিং।

**য়ুনিট – IV**

**মণিপুরী সাহিত্য অমসুং কলচরগী ইতিহাস –**
**সাহিত্যগী ইতিহাস:**
মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস শাগৎপদা চঙবা মচাকশিং; মতম খায়বদা থেংনরিবা খূদোঙ চাদবশিং; তোঙান-তোঙানবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী শক্তম অমসুং সমাজগী ফিভমশিং; লৈবাক – নিংথৌগী লোইশঙশিংনা সাহিত্যদা লৌরম্বা থৌদাংশিং।
**মণিপুরী কলচর:**
তরাতরেৎশুবা চহী চা ফাওবগী মণিপুরী কলচর; তরানিপালশুবা চহী চাদগী ওইরকখিবা মণিপুরী কলচরগী মশক; মণিপুরী কলচর ওইরকপদা পীখিবা ঈথিলশিং; মণিপুরগী জগোই-ঈশৈ; মণিপুর মশাগী ওইবা হরাও-কুম্মৈশিং; শান্ন-খোৎনবা; হিন্দু লাইনীং চঙলকপদগী পাঙথোক্লক্লিবা হরাও-কুম্মৈশিং; সনা কোনুংনা মণিপুরী কলচরদা লৌরিবা থৌদাং।

**য়ুনিট – V**

**ফোকলোরিস্তিক্স অমসুং মণিপুরী ফোকলোর:**
ফোক, ফোকলোর অমসুং ফোকলাইফকী শক্তাক ৱারোলশিং; ফোকলোর নৈনবগী খোঙহৌ অমসুং খোঙজেল; ফোকলোরগী থৌদাং; ফোকলোরগী তোঙান-তোঙানবা থিওরিশিং; মণিপুরদা ফোকলোর নৈনবা; মণিপুরী ফোক লিতরেচরগী শক্লোনশিং; মেতরিয়েল কলচর; সোসিয়েল ফোক কস্তম; পার্ফোমিং ফোক আর্টশিং; ফোকলোর অমসুং ফিল্ড ৱার্ক।

**য়ুনিট – VI**

**নোংচুপকী লিতরেরী ক্রিটিসিজম অমসুং থিওরি:**
লিতরেরী ক্রিটিসিজম – প্লেতো, এরিষ্টোতল, হোরাস, লোনজাইনস, দ্রাইদেন, পি.বি. শেলী, ৱার্দসৱর্থ, এস. টি. কোলরিজ, মেথিয়ু অরনোল্ড, ৱাল্টর পেতর, টি. এস. এলিয়ট, আই. এ. রিচার্দস, মার্ক্সিষ্ট ক্রিটিসিজম; লিতরেরি থিওরি – মোর্দনিজম, পোস্তমোর্দনিজম, স্ত্রকচরেলিজম, ফেমিনিজম, পোস্তকোলোনিঅলিজম।

**য়ুনিট – VII**

**ভারতকী কাব্যশাস্ত্র:**
ভারতকী কাব্যশাস্ত্রগী খোঙহৌ অমসুং খোঙজেল; কাব্যগী শক্তাক ৱারোল, কাব্যগী মখলশিং; কাব্য শাস্ত্রগী সম্প্রদায়শিং অমসুং মখোয়গী মীৎয়েং, সম্প্রদায়শিং অসিবু নৈনরম্বা মীওইশিং; রস নৈনবা; সমালোচক; কাব্যগী গুণ অমদি দোষ।

**য়ুনিট – VIII**

**থিওরিটিকেল অমসুং এপ্লাইদ মণিপুরী লিঙ্গুইস্তিক্স:**
লোন নৈনবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা থিওরিশিং; লিঙ্গুইস্তিক্স অমসুং মসিগী মখলশিং; মণিপুরী লোনগী ফোনোলোজি; মোরফোলোজি – গ্রামাতিকেল কেতেগোরিজ; সিনতেক্স – পার্টস ওফ স্পীচ, ৱাহৈ পরেং; সিমানতিক্স – অর্থ মখল, সিমিলি, মেতাফোর, ইদিয়ম; মণিপুরী লোন – মসিনা য়াওবা কাঙলূপ।

**য়ুনিট – IX**

**মপান লৈবাক্কী লোনশিংদগী হন্দোকপা সাহিত্য:**
মণিপুরীদা কুনশুবা অমদি কুনমাথোইশুবা চহী চাদা ভারতকী মপান লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা সাহিত্যশিংদগী হন্দোক্লক্লিবা লাইরিকশিংগী মগুণ, মণিপুরী সাহিত্যদা পীরিবা ঈথিল; হন্দোকলোইশিং।

**য়ুনিট – X**

**ভারতকী লোনশিংদগী হন্দোকপা সাহিত্য:**
মণিপুরী লোন্দা ভারতকী লোনশিংদগী হন্দোকলকপগী ইতিহাস; তরানিপাল অমসুং তরামাপলশুবা চহী চাদা ভারতকী লোনশিংদগী মণিপুরীদা হন্দোকলকপা লাইরিকশিং অমসুং লাইরিকশিং অদুগী থোইদোকপা শক্তম; কুনশুবা অমদি কুনমাথোইশুবা চহী চাদা হন্দোক্লিবা লাইরিকশিংগী মগুণ, মণিপুরী সাহিত্যদা পীরিবা কান্নবা, হন্দোক্লিবা মীশকশিং।